# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি কন্সটিট্যুসন মর্দর ডে-সংবিধান হতিয়া দিবস পাঙথোক্লি।

২) জিরিবাম জিলাদা নোং কা হেন্না চুবদগী তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী জিলা অসিগী মীয়াম চেকশিন্না লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খঙহল্লি ।

অমসুং

৩) প্রগতিগী ৫২ শুবা মীফম প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিগী সেবা তির্থদা পাঙথোকখ্রে।

------

ডে (এল) ঃ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি কন্সটিট্যুসন মর্দর ডে হায়বদি সংবিধান হতিয়া দিবস হায়না পাঙথোক্লি। কুমজা ১৯৭৫ গী ঙসি নুমিৎ অসিদা মতমদুগী প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা ইম্মরজেন্সি লাউথোকখিবা অদুবু নিংশিংদুনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি সংবিধান হতিয়া দিবস হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎ নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দ সিংহ অমসুং গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম শরুক য়াগনি।

পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- ১৯৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লৈবাক অসিদা ইম্মরজেন্সি থমজিনখিবা অসি ভারতকী গনতন্ত্রগী ইতিহাসতা অমন্বা তাঙ্কক অমনি। মসিনা মীওইবগী হক, মিদিয়াগী নীংতম্বা মৎপা অমসুং গনতন্ত্রগী ইন্সটিট্যুসনশিং নমথদুনা থমখি। মহাকা হায়- পালন নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমকা সংবিধান, গনতন্ত্রগী মশক অমসুং মীওইবগী নিংতম্বা ঙাক শেনবগী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চেৎশিনহল্লশি।

পিআইবি (এল) ঃ চহি ১২ লৈঙাক সাসন হায়বা হিরমদা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা মিদিয়া ৱার্কসোপ ভরতলপ ঙসি পাঙথোক্কনি। ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎ সিংহ, পি.আই.বি রিজনেল ওফিসকী দাইরেক্তর ডাঃ ইঙম পামে, অমজ্গী প্রসিদেন্ট অশেম ভক্তা সিংহ অমসুং এদিটরস গিল্ডকী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াগনি। টেকি কেল সেসনদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা জি.এস.টি অমদি নেসনেল ইজ্কেসন পোলিসিগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

পুলিস(এল)ঃ রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী মখা তানা এরিয়া দোমিনেসন য়াওনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী কোটলেন্দ এরিয়াদগী ৫.৫৬ এম.এম এক্স-কেলিভর রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৮, শেমদোক্লবা মোর্তার ৪, য়ু.বি.জি ১, লেথোদ ৫, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২৩৬, মেগজিন অনি অমদি হেন্দসেট অমা ফংলে।

জিরিবাম (এল) ঃ জিরিবাম জিলাদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা নোং কা হেন্না চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী জিলা অসিগী

অকুৎপা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামা য়ারিবা মখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবা অমদি তঙাইফদবা নত্রবদি চৎথোক্তনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অরবিন্দ হংলেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীয়ামা য়ারিবা মখৈ তুরেল খোঙবাল অমদি ঈশিং থুমজিল্লিবা মফমশিংদা চত্তনবা হোৎনগদবনি। চেরোল অদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পীরকপা পাউতাকশিং ইনদুনা চৎনবা অমদি য়ারিবা মখৈ মীৎনা শিংনা লৈগদবনি। খুদক্কী ওইবা থৌদোকশিং, ঈশিং ঈচাউ থোরকপা, চীং নীংখায়বা, ঈশিং থুমজিনবনচিংবা থোক্লবদি বোরো বেক্রা সবদিভিজন, জিরিবাম সবদিভিজন অমদি পুলিস কন্ট্রোল রুমগী হেল্প লাইন নম্বরশিং- ৯৩৬২৮ ৯২৮৫৫, ৮৭৮৭৮ ৩৪৭৫৫ নত্রগা ৮৪১৪৯ ৩১২৩০ দা ফোন তৌরকবা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খঙহল্লক্লি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ মরি অসিদা জিরিবাম য়াওনা রাজ্য অসিগী চাংগী জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। তমেংলোং, সেনাপতি, কামজোং, নোনে, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা নোং চুগনি হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদসু হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, মেট বিভাগনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম য়াওনা খা ভারত, সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি। খা নোংচুপ্তগী হৌরকপা কুমগী নোং আরব সগরগী অৱাং নোংপোক থংবা মাইকৈরোমদগী গুজরাত অমসুং মধ্য প্রদেশলোমদা চংশিল্লক্লি।

ককচিং (এল) ঃ দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিংনা শিন্দুনা চাইল্ড কেয়ার ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈবা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ব পরিক্ষাদা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম অমা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এনজেলিন

রেনিতা, এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার ফুরাইলাইপম ভবানন্দনচিংবনা শরুক য়াখি। মদুদা মহৈরোই ১৪ বু তরামা ওকখি।

পিএম ঃ প্রগতিগী ৫২ শুবা মীফম ঙরাং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিগী সেবা তির্থদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শ্রী মোদিনা মরুওইবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট মরি- লম্বী, মৈ, ইন্দিষ্ট্রিয়েল কোরিদোর অমসুং মেত্রো রেলগী লুপা কোতি লিশিং ৩০ চংনা রাজ্য মরিদা পায়খৎকদৌরিবা অদুগী ফিভম নৌহৌননা য়েংশিনখি। প্রোজেক্ট অসিনা শেনমিৎলোন ফগৎহনবা, লমদম অমগা লমদম অমগা শমহনবা, উদ্যোগ চাওখৎহনবা অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং ফগৎহনবগা লোয়ননা পনদুনা লৈরিবা থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা ব্বারেপশিং লৌখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং থেংথবনা চংগদবা শেনফম হেনগৎলকপা অমদি মীয়ামগী খুদোংচাবশিং ফংহনবদা থেংথহল্লি। মীফম অদুদা টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মতাংদা ব্বাফমশিং খন্নবগা লোয়ননা টি.বিগী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা এন.সি.সি. কেদেট অমদি মাই ভারত ভোলুন্তিয়ারশিং য়াওহন্নবা পাউতাক পীখি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশতা নোং কন্না চুরকপদগী খঙহৌদনা থোরকপা ঈশিং ঈচাউনা কেয়ি পনয়োর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা য়াজালি সার্কলদা লৈবা নিপকো কোলোনিগী মফমশিং অমাং অতা থোক্লে। হৌজিক ফাওবদা মীওই মরি থিবা খঙদ্রি। ঈচাউ অদুনা মীশি মীনা থোকপগী পাউ হৌজিমক্কী ওইনা ফংবা ঙমদ্রি। নিপকোগী হেদ ওফ প্রোজেক্টকী পাউ মতুংইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ১৭ অশোক অপন নংলে। মসিগী মসিগী মনুংদা মীওই অহুমগী ফিভম লুনা লৈরি। জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা মফম অদুদা চংশিনবা য়াদনা লৈরি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না ঈচাউনা শোকহল্লবা অরুনাচল প্রদেশকী মীয়াম মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশতা নোং কা হেন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাউ থোরক্লিবা অদু য়েংলগা অসাম সরকারনা রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা হাই এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ফিফা ঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা কানাদাবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং বোসনিয়া এন্দ হর্জগোভিনানা কটারবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ মখায়দা শান্নখিবা মেটচ অমদা মোরোকোনা হাইতিবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমসুং ব্রাজিলনা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। হৌজিক সাউথ আফ্রিকাগা সাউথ কোরিয়াগা অমদি চ্যেক রিপাব্লিক্কা মেক্সিকোগা শান্নরি।

হোক্কি ঃ মণিপুরগী খাইদেম সিললৈমা চনুনা লুচিংবা ভারত নুপী হোক্কি টিম লাউথোকখ্রে। শান্নরোই ২৪ য়াওবা ভারতকী জ্‌নিয়র হোক্কি টিম অসিনা মথং থাগী ৫ দগী ১৪ ফাওবা য়ুনাইতেদ কিংদমদা মেটচশিং শান্নগনি। লাক্লিবা জ্‌নিয়ার এসিয়া কপকী শেম শানবগীদমক মেটচ ৭ স্কোটলেন্দ অমসুং ইংলেন্দদা শান্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লেন্দ স্লাইদ থোকপনা মরম ওইরগা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনখিদবা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টপু মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লোঞ্চ তৌখিবা, কাংপোকপী জিলাগী কোটলেন্দ এরিয়াদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপেস মণিপুরীগী অহানবা হেদলাইনদা- ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী তৎলুরে, পোৎ পুবা গাড়িশিং লাল্লকপা য়াদ্রি, তদুবীদগী তোলোই ফাওরগা উখ্রুল য়ৌবা লম্বী নীংখায়বদগী শেমজিন্নবা জ্‌লাই ১৭ ফাওবা থিংজিনখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এ.আই. এপ্লিকেসন এন্দ জরনেলিজম, মিদিয়া ফেক চেক্কিং হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা দি.আই.পি.আরনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ৱেষ্টপু ষ্টেট মোদেল দিষ্ট্রিক্ট ওইনা লোঞ্চ তৌখ্রে, দিজিতাইজ তৌবা ঙমদবা হেলথ ফেসিলিতিশিং মনিংদা লৈহৌরগনি হায়না নেসনেল হেলথ ওথোরিতিগী সি.ই.ও ডাঃ শুনিল কুমার বর্নাৱালনা ফোংদোকপা ৱাফমনা পোক ফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর পুলিসকী আর্মরিদগী লাকখিবা নোংমৈ য়াওনা য়াল্লবা খুৎলায় কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কোটলেন্দ এরিয়াদগী ফাগৎলে হায়বা পাউ অমা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নেসনেল হেলথ ওথোরিতিগী সি.ই.ও- ডাঃ শুনিল বর্নাৱালনা গভর্নর আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ওপরেসন চথরি, মরাল লৈবশিং ফাদুনা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেনগী ৱাফম অমা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থাদৌ চর্চ লিদর য়াওনা মীচম অহুম হাৎখিবা অমসুং মরি শোকহনখিবা থৌদোক্কী কেস এন.আই.এনা থিজিল্লগনি হায়বা পাউ অসিনা হুহয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈখিদ্রবা নাগা ৬ কী মীহাৎপা পুথোকবা ওপরেসন চথবদা ট্রান্সপরেন্সি লৈনবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েল পুথোকবা এন.পি.ওনা আপীল তৌরি হায়বা পাউ অসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ কী তমেংলোংদা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈরি হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। থাদৌ পাষ্টর অহুমগী মর্দর কেস এন.আই.এদা শিন্নরগনি হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

------